# লেন্দফিল সাইট হাংদোরকপগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা খোঙজংদা শরুক য়াখিবা ১ শিরে



টুনিস, নভেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : টুনিসিয়াগী অগুরেব সিটিদা লৈবা মতম কুইনা থিংজিন্দুনা লৈরুরবা দম্প সাইট অমা লৈঙাক্লা অমুক হন্না হাংদোরকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনখ্রে। মীয়াম্না চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা পুলিসনা রবর বুলেট অমদি টিয়র গ্যাস সেল কয়া কাপখি। থৌদোক অদুদা খোঙজংলোয় অমা শিখ্রে হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাংৱাইরম অগুরেব সিটিগী মরুওইবা লম্বী অমদা থোকখিবনি। মীয়াম্না চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অদু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা পুলিসনা কাপখিবা টিয়র গ্যাস সেলদগী পায়থোরকপা মৈখুনা মরম ওইরগা খোঙজংলোয় অমা ৱান্থরকখি। মহাকপু খুদক্তা মনাক নক্লা লৈবা গভর্নমেন্ট হোস্পিটাল অমদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চংখি। অদুবু মহাক লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি।

ডোক্টরশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না, লৈখিদ্রবা মশাগী চহী ৩৫ রোম শুরবা মীওই অদু মশাগী শ্বর হোনবগা মরী লৈনবা অনাবা মখল অমনা হান্নদগী নাদুনা লৈবনি। টিয়র গ্যাসকী মৈখুনা মরম ওইরগা মহাক্কী শ্বর হোনবদা এলর্জি তৌরক্তুনা ফুনগৎলকপদগী ৱান্থরকখিবনি। মহাক মশা হান্না অনাবা লৈ হায়বা খঙদবনা মরম ওইরগা মহাকপু লায়েংলিবা ডোক্টরশিংনসু হিদাক থাবা মতমদা শোয়খিবা য়াওব্রা হায়বগী মতাংদা য়েংশিল্লি হায়রি।

অমরোমদা ফত্তবা লংথোকফম লেন্দফিল সাইট অদু অমুক হন্না থিংজিন্নবা মীয়াম্না মরী লৈনবশিংদা অকনবা মওংদা তকশিল্লক্লি। খোঙজংদা শরুক য়াখিবা মীওই অমনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, দম্পিং সাইট অসি কা হেন্না মোৎশিল্লকপা অমদি মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবা ৱাৎপদগী মফম অসি পোল্লুটেদ ওইরকখিবনি। মফম অসিদগী মখল কয়াগী লায়না পোকহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরকপনা মরম ওইরগা লৈঙাক্লা সাইট অসি থিংজিনখিবনি। সাইট অসি হাংদোকপদা মীয়াম্না থিংলিবা অসি তঙায়ফদবগীনি। মরী লৈনবশিংনা মফম অসিদা লৈরিবা ফত্তবশিং অসি হান্না মাঙহনখ্রবা মতুং হাংদোক্লুবদি মীয়াম্না হেন্না হরাউরমগদবনি। অদুবু মদুগী ওন্না তৈনবদা লৈঙাক্লা লৌরকখিবা ফিরেপ অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখিবনি হায়রি।

# নাইজরগী খা থংবা শরুক্তা উনা শাবা স্কুল অমা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা অঙাং ২৬ শিখ্রে



নিয়ামে, নভেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : খা থংবা নাইজরগী শরুক্তা লৈবা উনা শাবা স্কুল অমা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপদগী স্কুল ক্লাসরুমদা লৈরম্বা মহেরোয় ২৬ শিখ্রে হায়না মারাদি সিটিগী মেয়রনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা অঙাংশিং অদু অয়াম্বনা চহী ৩ দগী ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ঙাক্তনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মেয়র চাইবৌ অবৌবাকারনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা স্কুল মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদু য়ামদ্রবা মহেরোয় ২৬ শিখিবগা লোয়ননা ১৩ অশোক অপন নংহনখি। মালেমগী ওইনা ইকনমিগী ফিভম খ্বাইদগী হেন্না ফত্তবা লৈবাকশিংগী মনুংদা নাইজরসু অমা ওইরি। মফম অসিদা লৈবা স্কুল অয়াম্বা উ অমদি লৈবাক্লা শাবা ঙাক্তনি।

শেল য়াম্না চঙনা লৈবাক অসিদা স্কুলশিং শাবা ঙমদবনা মরম ওইরগা উনা পাক শন্না স্কুল শাবগী থবক চংথুরি। মহেরোয়শিং মহে তমহন্দবা য়াদবনা মরম ওইরগা করিগুম্বা মতমদা ওজা অমদি মহেরোয় পুন্না লৈবাক্তা ফমদুনা ক্লাস তৌবসু অদুম্মক য়াওরি। কা হেন্না শাবা অমদি উ অয়াম্বা অকংবা ওইবনা লৈবাক অসিদা য়ুম অমদি স্কুলশিং মৈনা চাকপগী থৌদোক য়াম্না তোয়না থোক্লি। অদুবু মীশি মীনাদি কা হেন্না থোক্তনা লাক্লি।

চহী অসিগী এপ্রিল থাদসু নিয়ামে দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা স্কুল অমা খঙহৌদনা মৈ চাকপগী থৌদোক অমা থোকখি। থৌদোক অদুদসু চহী নৌরিবা মহেরোয় ২০ মৈনা চাক্তুনা শিখি। ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অমদি মমাং মতমদা মৈনা চাক্তুনা শিখিবশিং অদুগীদমক লৈবাক অসিদা নুমিৎ হুম্নি অৱাবা ফোঙদোল্লগনি হায়না মেয়র চাইবৌনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নাইজর টিচর্স য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি জেনরেল ইসৌফৌ অর্জিকানা ফোঙদোকখিবদা, মারাদি সিটিদা লৈবা উনা শাবা স্কুল অমা মৈনা চাক্তুনা চহী নৌরিবা মহেরোয় কয়া শিহনখিবা অদু য়াম্না লাইবক থিবা থৌদোক্লি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা উনা শাবা স্কুলশিংদা থবক তৌরিবা ওজা অমদি ষ্টাফশিংনা য়াম্না চেকশিন্নবা খঙহনখ্রে। মখা তানা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবা মরী লৈনবশিংনা স্কুলশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপা মথৌ তারি।

উ অমদি ৱাচেৎনা খাদুনা শাবা স্কুলশিংদা মহে তম্বগী মহুত্তা অচৌবা উ পাম্বীগী মখোঙদা ফমদুনা মহেরোয়শিং তাকপী তম্বীবনা হেন্না খুদোংচাবা হায়বদু ওইরগনি। উ অমদি ৱাচেৎনা শাবা স্কুলশিং অসি লৈবাক অসিগী চহী নৌরিবা মহেরোয়শিংগী মোংফম ওইরক্লি।

লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট মোহমদ বাজে মনসু লৈবাক অসিদা লৈরিবা উগী স্কুলশিংগী মহুত্তা চেকনা শানবা হোৎনরগনি হায়না ঙসি লাউথোকখিবগা লোয়ননা হিরম অসিগা মরী লৈননা স্কুলশিং য়েংশিনবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে হায়রি।

# য়ু এস স্পেসল এনভোয়না ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানদা ভিজিট তৌগদৌরি

ৱাশিংটন, নভেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : অফঘানিস্তানগী য়ু এস স্পেসল এনভোয় থোমাস ৱেষ্টনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী হন্দক্কী য়ুরোপ অমসুং এসিয়া খোঙচৎকা মরী লৈননা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানদা ভিজিট তৌনবা প্লান তৌরি।

মহাক্কী হন্দক্কী খোঙচৎ অসিদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানখত্তা নত্তনা রসিয়াদা ভিজিট তৌনবা প্লানসু তৌরি। এসিয়াদা লৈরিবা লৈবাকশিংগা হেন্না অফবা মরী থম্নবা পান্দমদা মহাক্কী খোঙচৎ অসি চৎনবা ফিরেপ লৌখিবনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা মরুওইনা হৌজিক অফঘানিস্তানদা ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা মহাক্লা ভিজিট তৌগদৌরিবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নগনি।

য়ু এসনা মতম পুম্বদা এসিয়াগী লৈবাকশিংগা অফবা মরী থম্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। মখা তানসু হোৎনখিগনি। অফঘানিস্তানদা টালিবানগী ওইবা লৈঙাক অমা লাকখ্রবসু লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগীদমক য়ু এসনা হৌজিকসু হোৎনরি অমদি মখোয়গীদমক য়ু এসনা মতম পুম্বদা লেপকনি হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পাকিস্তাননা য়ু এস ট্রুপশিংনা মখোয়গী ওইবা বেজ অমত্তা শিজিন্নবা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু লাইবক থিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টরগা উন্নদুনা ৱারী শান্ননবা হোৎনগনি অমদি য়ু এস অমসুং পাকিস্তানগা লৈনরম্বা মরী হান্নদগী হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনগনি হায়রি।

# নাইজেরিয়ন পুলিস ওফিসর অমনা মীওই ৫ কাপ্তুনা হাৎখ্রে



লাগোস, নভেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : নাইজেরিয়াগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা ঙসি য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোকশিংগী মনুং চন্না নাইজেরিয়ন পুলিস ইন্সপেক্তর অমনা মীওই ৫ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগা লোয়ননা মরি অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট পুলিসকী ৱাঙাঙলোয় দেনিয়েল দ্যপনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইনুগুদা লৈবা রেসিদেন্সিয়েল ইষ্টেট অমদা থোকখিবনি। পুলিস ওফিসর অদুনা মফমদুদা লাক্লগা হান্না লৈরম্বা মীয়াম অদুদা খঙহৌদনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি।

থৌদোক অদুদা মীওই ৯ নোংমৈনা পানবদগী শোকখি। খুদক্তা মখোয় ৯ মক মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্টগী থবক চংখি। অদুমওইনমক মীওই ৫ দি কা হেন্না শোকখিবনা মরম ওইরগা শিরে হায়না ডোক্তরশিংনা লাউথোরকখিবনি। মখোয় ৫ গী হকচাং অদু ওটোপসিগীদমক মোর্গতা থমখ্রে হায়রি।

থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা ইন্সপেক্তর অদু ফারে, মহাক্লা করি মরমগীদমক নোংমৈ কাপ্তুনা মীয়াম য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক অমনি।

পনবা য়াবদি ইন্দিজিনিয়স পিপলস ওফ বায়াফ্রা (আই পি ও বি) না সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা য়াম্না তোয়না এটেক চথৈ হায়না গভর্ণমেন টকী মায়কৈদগী চার্জ তৌরক্লি। অদুবু আই পি ও বিনদি গভর্ণমেন্টকী ৱাফম অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা চংথখিবা এটেকশিং অদু মখোয়গা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়রি।

ঙসিগী থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা পুলিস ওফিসর অদুগী চপ চাবা ইনফোর্মেসন পুলিস দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী মীয়ামদা খঙহল্লকপা লৈত্রি। অদুবু মরাল লৈবা মীওই অদুগী মথক্তা লিগেলগী ওইবা চপ চাবা এক্সনশিং লৌখৎকনি হায়না মকোক থোংবা পুলিস ওফিসর অমনা মীয়ামদা ফোঙদোকখি।

অশি অনা থোহনখ্রিবনো হায়বগী মতাংদদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। নাইজেরিয়াগী খা নোংপোক থংবা শরুকশিংদা হৌখিবা থা খরা অসিদা শকখঙদবা খুৎলাই পায়বশিংনা সেক্যুরিটি পর্সনেলশিংদা এটেক চংথবগী থবক হেনগৎলক্লি। অদুমওইনমক সেক্যুরিটি ফোর্সনা মীয়ামদা এটেক চংথখিবা অসিদি

# টাইৱানদা চাইনানা হিরম কয়াদা অপনবা পীদুনা লাক্লি : টাইপৈ

টাইপৈ, নভেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : চাইনাগী মিলিটরিনা টাইৱানগী মরুওইবা হিথাংফমশিং অমদি এয়রপোর্টশিং থিংজিনবা ঙম্বগী পৱার লৈবনা মরম ওইরগা মতম অমদা হেক্তা টাইৱানবু মখোয়গী মখাদা থম্নবা হোৎনরকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না টাইপৈনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা চহী কয়াগী মমাংদগী টাইৱাননা পায়খৎলকপা থবক থৌরম কয়াদা চাইনানা অপনবা পীদুনা লাক্লি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা, চাইনিজ মিলিটরিনা লোগী ৱাংমদা টাইৱানগী ঙমখৈ শরুক্তা চঙশিল্লক্তুনা অকি অখঙ পোকহনবগী থবকশিং চংথুরি। মমাং থাদসু চাইনিজ ফাইটর জেট ১০০ হেনবনা টাইৱানগী ঙমখৈ শরুক্তা পায়শিল্লক্তুনা দ্রিল চংথখি। ঈশিংগী শরুক্তসু চাইনানা কা হেনবা থৌওং কয়া চংথদুনা লাক্লি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী পর্মানেন্ট মেম্বর অমা ওইনবা হোৎনখিবা অদুদসু চাইনা অয়েৎপা কয়া পীরি। ঈথৎ লৈবাক অসি চাইনাগী মখাদা লৈবা শরুকনি, চাইনাগী লম্নি। মরম অদুনা টাইৱাননা য়ু এনগী মেম্বর ওইবগী রাইট লৈতে হায়দুনা য়েত্তুনা লাক্লি। চাইনানা চংথরিবা কা হেনবা থৌওংশিং অসিবু ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবসু চাইনানা মখোয়গী ওইবা থবক থৌরমশিংদি মখা তানা অদুম্মক পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মখোয়গী পান্দমদি ঈথৎ লৈবাক অসিবু নম্ফুদা লৌশিন্দুনা মখোয়গী লৈঙাক মখাদা থম্বনি। মসিগী মায়োক্তা টাইৱাননা লেপকনি হায়রি।

# বংলাদেশতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রোহিংয়া রেফ্যুজি ৮ দাইরিয়ানা শিহনখ্রে

জেনেভা, নভেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : ম্যান্মার সেক্যুরিটি ফোর্সকী মীওৎ মীনৈ খাংবা ঙমদবদগী য়ুমথংনরিবা লৈবাক বংলাদেশদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মশীং য়াম্লবা রোহিংয়া রেফ্যুজিশিংনা মখল কয়াগী অৱাবা থেংনরি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অৱাবা মরক অসিদা রেফ্যুজিশিংগী মরক্তা দাইরিয়া নারকপদগী মীওই ৮ শিহনখ্রে। অদুগা ১,৫০০ রোম দাইরিয়ানা নাহনখ্রে হায়রি।

বংলাদেশকী কোক্স বজারদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রেফ্যুজিশিং অদু কা হেন্না মশীং য়ামখৎলকপদগী বংলাদেশ ওথোরিটিনা রেফ্যুজি ১৮,০০০ রোম ভাসন চারদা লৈবা আইলেন্দ অমদা হোংদোক্তুনা থম্লকখিবনি। আইলেন্দ অদুদা লৈরিবা রোহিংয়াশিং মফমদুদা থম্লগা খরা ফগদ্রা হায়রগা হান্নদগী হেন্না খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরি। আইলেন্দ অদুগী অকোয়বদা য়াম্না তোয়না অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ তৌবনা মরম ওইরগা রেফ্যুজিশিং তংদু লৈতানা লৈবা ঙমদে। মরক অসিদা থা অসিগী অঙনবদা আইলেন্দ অদুদা চুখিবা অকনবা নোং লোইখ্রবা মতুং দাইরিয়া লাইচৎ অসি শন্দোকপা হৌরকখিবনি। হৌখিবা চয়োল অনীরোম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা আইলেন্দ অদুদা লৈরিবা রেফ্যুজি মরি শিহনখিবনি। শিখ্রবশিং অদুগী মনুংদা অহুমনা অঙাংনি অদুগা অমনা মশাগী চহী ২০ লোম শুরবা নুপী অমনি।

আইলেন্দ অদুদা লৈরিবা রেফ্যুজি ১,৫৫০ রোম লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহনখ্রে। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা ৬০০ দি হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চংথবগী মথৌ তারি হায়না হোস্পিটাল অদুদা থুংখিবা ডোক্তর রাহ্দ তনভির অনৱারনা ফোঙদোরক্লি। হৌজিক্কী ওইনদি লায়না লাইচৎ অসি মখা তানা শন্দোরক্তনবা ডোক্তরশিংনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে। মফমদুদা ফম্মুং ৩০ থাবা হোস্পিটাল অমা হাংদোক্তুনা ট্রিটমেন্টগী থবক চংথবা হৌরে।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা রিজনেল হেল্থ চীফনা ফোঙদোকখিবদা দাইরিয়ানা মফমদুদা মীশি মীনা থোকহনখিবগী পাউ হেক ফংবগা ওথোরিটিশিংনা ৱাটর প্যুরিফিকেসন টেব্লেট ৩৩,০০০ অমদি ওরেল রিহায়দ্রেসন সোল্যুসন দোজ ৩৫,০০০ য়েন্থোকখ্রে। মথৌ তাবা পোৎলমশিং রেফ্যুজিশিং অদুদা য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা হেন্দ পম্পদগী তারক্লিবা ঈশিং নত্তবা অতোপ্পা মফমদগী ঈশিং শীজিন্নদনবসু আইলেন্দ অদুদা লৈরিবা রেফ্যুজিশিংদা খঙহনখ্রে।

# মাইগ্রেন্টশিংদা মেন্টেল হরাসমেন্ট পীবগী থবক লেপকদবনি

মোন্ট্রিল, নভেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : কানাদাদা অতোপ্পা লৈবাক্তগী লাকখিবা মাইগ্রেন্ট মিল্লিয়ন ৩ লোম লৈবাক অদুগী ওথোরিটিশিংনা মপুঙ ফানা য়েংশিন্দবা অমদি মখোয়বু মাইগ্রেন্ট কেম্পতগী মনীং তম্না থোকহনবা য়াদবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা মাইগ্রেন্ট কয়াদি ৱাখলগী লায়না নাবা ফাওবা য়াওরে হায়না এম্নেষ্টি ইন্টর্নেসনল অমসুং রাইটস গ্রুপশিংনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

গ্রুপশিং অসিনা ফোঙদোরকখিবদা কানাদাগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা মাইগ্রেন্টশিং চঙজফম লৌদুনা লৈরি। চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্টশিং অদুবু লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা য়েংশিনবিদবনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা লৈরিঙৈ মরক অসিদা মাইগ্রেন্ট কেম্প অদুবু থাদোক্লগা মশাগী মরমদমদা হনখিনবা হোৎনবদসু লোকেল ওথোরিটি খরনা অয়েৎপা পীবনা মরম ওইরগা কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগী ৱাখলদা চাউনা চরাঙনবা পোকহল্লে। কানাদা লৈঙাক্ল া হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মতম চানা পায়খৎহৌদ্রবদি মাইগ্রেন্ট কেম্পতা খুদোংচাদবা কয়া থোক্লকপা য়াই হায়রি।

কানাদানা লৈবাক অদুদা রিফ্যুজিশিং চঙলকপদা তরাম্না ওক্লি। অদুবু লৈবাক অদু য়ৌরকখ্রবা মতুং মখোয়বু থৌওইনা তৌদবগা লোয়ননা চহী নৌরিবা রিফ্যুজি খরদি খুৎলায় পায়বা গ্রুপ খরনা অরানবা থবকশিংদা শীজিন্নবা ফাওবা য়াওরি। কোভিদ পেন্দমিক মনুংদা য়েংশিনবা ৱাৎপনা মরম ওইরগা হৌজিকফাওবদা মাইগ্রেন্ট ৪০০০ রোম শিখ্রে হায়রি।

# কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ৱেলিংটন, নভেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা ন্যু জিলেন্দ গভর্নমেন্টনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌওংশিংদা পেন্নদবদগী ঙসি মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খোঙজং চঙশিনখ্রে

কোভিদ-১৯ ভেক্সিন লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্লা কাপথোক্কদবনি হায়না লৈঙাক্লা থোকখিবা ওর্দর অদুবু শিংনরদুনা মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। খোঙজংদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা ঐখোয়গী পুন্সিনি, হিদাক কাপ্পা নৎত্রগা কাপ্তবা হায়বসি ঐখোয়গী অপাম্বনি হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি। কোভিদ-১৯ কন্ট্রোল তৌবগী মীংদা লৈঙাক্লা মতম শাংনা লোকদাউন থমজিন্দুনা লাকখিবনা মীওই কয়া অৱাফমদা তারে। মরম অদুনা অথুবা মতমদা লোকদাউন কোমথোক্কদবনি হায়বা খোল্লাউশিংসু ঙসিগী খোঙজংদা শরুক য়াখিবশিংনা লাউখি।

Indian Red Cross Society Manipur
MG Avenue, Thangal Bazar
Three Days Certificate Training on First Aid
(Tentative Date : 19th to 21st November, 2021)
Intact : 25; Training Fee : Rs. 1000
Last Date : 15/11/2021
HL-P/0596/10 ,11
Contact : 9862589128

GOVERNMENT OF MANIPUR
PUBLIC WORKS DEPARTMENT
OFFICE OF THE EXECUTIVE ENGINEER,PWD,PHERZAWL DIVISION,
NIT/No – EE/Ph-D/Tdr – Bid/Rd/2021 – 22/
Pherzawl Division,PWD,Manipur
Imphal,The 8th Nov.2021
The Executive Engineer,Pherzawl Division,PWD,Manipur on behalf of the Governor of Manipur invites item rate tender through open tender from eligible Contractor(s) for 8 Nos. of Plan(P) works under MH:5054(R&B) costing 611 lakhs and 21 Nos. of Non plan (NP) works under MH:3054 (R&B) costing 326 lakhs within Pherzawl District ,Manipur.
The Procurement Officer is Executive Engineer,Pherzawl Division,Manipur.The Tender details and document shall be available from 10/11/2021 to 18/11/2021 at the office of the Executive Engineer,Pherzawl Division,PWD,Manipur,Khoyathong.
Bid Submission start date - 10/11/2021 (10:00 AM)
Bid Submission end date - 25/11/2021 (5:30 PM)
Date of Opening of Bid - 26/11/2021(11:30 AM)
Time: 11:30 Am, Venue – Office of the Executive Engineer, Pherzawl Division, PWD, Manipur.
Sd/- Executive Engineer
Pherzawl Division, PWD, Manipur.
HL-B/7273/10

ADMISSION OPEN
PHOENIX ENGLISH COACHING
FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM
PLEASE CONTACT 8974642764
HL-B/7261/2/11-2/12

# পাকিস্তান গভর্নমেন্ট অমদি অথিংবা থমখ্রবা লোকেল টালিবানগী মরক্তা থা অমা সিজ ফয়ার তৌনখ্রে



ইস্লামাবাদ, নভেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : পাকিস্তান গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা মতম শাংনা লাল হৌদুনা লাকখ্রবা লোকল টালিবান গ্রুপ টহরিক-ঈ-টালিবান পাকিস্তান (টি টি পি) অমদি গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগা থা অমা খুৎ থোক্লবা লেপ্পদা য়ানখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পাকিস্তান গভর্নমেন্ট ফোর্স অমদি টি টি পি ফাইটরশিংগী মরক্তা চহী কয়াগী মমাংদগী খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোক্তুনা লাক্লি। অফঘানিস্তানদা লৈরিবা টালিবানগুম্না টি টি পিনা পাকিস্তান লৈঙাকপু মায়থিবা পীদুনা মখোয়গী ওইবা লৈঙাক অমা শেম্বা পাম্লি। সাউথ এসিয়ান নেসনদা ইস্লামিক শারিয়াগী ওইবা লৈঙাক অমা থম্নবা হোৎনবা হায়বসি টালিবানগী পান্দমনি।

টি টি পি অমদি পাকিস্তান গভর্নমেন্ট অনীগী মরক্তা তাংকক কয়ারক থোক্লা সিজ ফয়রগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে। অদুবু ঙসিফাওবদা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদনা লাক্লি। ইকোন কোনবা ওইনা অফঘান টালিবানগী লুচিংবশিংনা শিন্দুনা টি টি পি অমসুং পাকিস্তান গভর্নমেন্টকী মীহুৎশিংগা ৱারী শান্নখিবনি। মদুদা নাকল অনীগী মরক্তা থা অমা খুৎ থোক্লবা লেপ্পা হায়না য়ানখিবনি।

পাকিস্তানগী ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর ফৱাদ চৌধুরিনা ফোঙদোকখিবদা, নাকল অনীগী মরক্তা অহানবা ওইনা থা অমা খুৎ থোক্লবা লেপ্পা হায়বা ৱাফমদা য়ানবা পুরকখ্রে। মখা তানা নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শাদুনা সিজ ফয়ারগী মতম শাংদোক্লবা হোৎনগনি। হন্দক্কী অসিনা অহানবা খোঙথাং ওইরগা মখা তানা খোঙথাং কয়া মায় পাক্লা থাংনবা গভর্নমেন্টনা হোৎনরি।

টি টি পিনা পাকিস্তানদা হৌখিবা চহী কয়াদা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিং য়াওনা সিক্যুরিটি ফোর্স কয়া নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে। টি টি পিনা হাৎনবা হোৎনবদগী হিংহৌখিবা মীওইশিংগী মনুংদা নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবী মলালা য়ুসফজাইসু অমনি। মলালানা নুপীশিংবু মহে তমহন্নবা হোৎনখিবা অদুগী মায়োক্তা টি টি পিনা লেপ্পগা লোয়ননা মহাকপু হাৎনবা হোৎনখিবনি।

টি টি পিনা পাকিস্তানদা চংথখিবা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোকশিংগী মনুংদা কুমজা ২০১৪ দা পেসাৱরদা লৈবা মিলিটরি স্কুল অমদা এটেক চংথদুনা মীওই ১৪৯ হাৎখি। মদুগী মনুংদা ১৩২ দি চহী নৌরিবা অঙাংশিংনি। মসি নত্তবা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওং কয়া গ্রুপ অসিনা য়াম্না তোয়না চংথদুনা লাক্লি।

অমরোমদা টি টি পিগী লুচিংবশিংনা মখোয়গী ফাজিন্দুনা থম্লিবা মেম্বরশিং অথুবা মতমদা থাদোরক্লবা পাকিস্তান গভর্নমেন্টতা তকশিনখ্রে হায়না থাজবা য়াবা পাউগী লিখুনশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।